
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কৃকলা

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইস্ট ইনস্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






**অতোপ্পা** হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নবা মরম্না কৃকলা হায়রিবা পাম্বী অসিগী হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অদু কনাগুম্বনা থোইদোক্না খঞ্জিল্লুদ্রবসু পাম্বী অসিগী হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অদুদি থোইদোক্না শীংথানিংঙাই ওই। কৃকলা পাম্বী অসি ইংলিসতা বায়ুর ত্রী (Bayur tree) নৎত্রগা লিফদ বায়ুর ত্রী (Leafed Bayur tree) নৎত্রগা দিন্নর প্লেট ত্রী (Dinner plate tree), হিন্দিদা মুচাকুনা (Muchakuna) নৎত্রগা মুচাকুন্দা (Muchakunda), টামিলদা মাতসাকান্দা (Matsakanda), তেলেগুদা লোলুগু (Lolugu), বেঙ্গোলিদা মুচাকুন্দ চোম্পা (Muchakund Chompa), সংস্কৃততা চীত্রকা (Chitraka) নৎত্রগা প্রতিবিসনুকা (Prativishnuka) নৎত্রগা ছত্র ব্রুকশা (Kshatra Vruksha), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *তেরোসপর্মম এসরিফোলিয়ম (Pterospermum acerifolium Willd)* নৎত্রগা *তেরোসপর্মম দাইবর্সিফোলিয়ম (P. diversifolium Blume)* নৎত্রগা *পেন্তাপেতিস এসরিফোলিয়া (Pentapetes acerifolia Linn.)* হায়না কৌই অমসুং *ষ্টরকুলিয়েসী (Sterculiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। পাম্বী অসিগী জিনস তেরোসপর্মম হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈ ২ হায়বদি তেরোন (Pteron) অদুগা ইসপর্মা (Sperma); তেরোন হায়বগী ৱাহন্থোক্না মসা পানবা অদুগা ইসপর্মা হায়বনা মরূ হায়বদি মসা পানবা মরূ (Winged Seed) অসিদগী থোনখিবনি। অদুগা স্পিসিস (Spicies) কী মমিং এসর্ফোলিয়ম হায়বসিনা মনাগী মওং অসি মেপ্পল ত্রী (Maple tree) মানবদগী থোনখিবনি। কৃকলা পাম্বী অসি ফুট ১০০গী মথক্তা ৱাংবা মতম পুন্নমক্তা মনা পান্দুনা লৈবা (Evergreen) উজাও পাম্বীনি। পাম্বী অসিগী মনা অসি খুবাম অমগুম্না শন্দোকই অমসুং অকোয়বা অদু হোরায় ময়াগুম্না য়াৎলি অমসুং অয়াম্বা মতমদা মনাশিং অদু য়ান্থরগা পানবনা মরম ওইদুনা হেক য়েংবদা খুইথবা মানগনি। মনাগী মথক থংবা শরুক অদু শংত্রিক শংই অদুগা মখা থংবা শরুক (Ventral) অদুনা চান্দি মচু নৎত্রগা ঙাংতক তৌই অমসুং মোন-মোন লাওই। কৃকলা পাম্বীগী লৈ অসি মচু ঙৌই অমসুং খূৎশাগুম্না শাংই। লৈশিং অসি অয়াম্বনা নুমিদাংগী মতমদা শাৎলি। পাম্বী অসিগী মহৈশিং অদু মচিন তুম্না শাংই অমসুং য়াম্না কল্লি। মহৈশিং অদু ৱাওথাংনবা মচুগী শমশিংনা য়াম্না কুংনা পাল্লি।

কৃকলাগী মনা অসি য়াম্না পাকই অমসুং অচা-অথক্কী প্লেট হায়বদি পুখম-তেঙ্গোৎ শাবদা শীজিন্নে। অকঙবা মনাশিং অসি খূৎশু-খূৎলায়শিং থাদোক-থাজিন তৌবদা অকায়-অতোয় থোক্তনবা পেকিং তৌবদা শীজিন্নে। বর্ম্মাদদি কৃকলাগী মনা অদু হীদাক মনা অমসুং অতোপ্পা হৱাই, চেঙৱাইশিং ফৌবদা শীজিন্নে। পাম্বী অসিগী উ অসি মচু ঙাংই অমসুং ময়ায় ওইরপ্না কনবা মরম্না উপু-কাংথোল অমসুং য়ূম-কৈ শাবদা পাম্না শীজিন্নে। ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা কৃকলা উগী মকু (Bark) অদু চীনবান তৈনবা লিপষ্টিক (Lipstick) শাবদা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ। হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওই কাঙলূপ খরনা কৃকলা পাম্বী অসি ধর্ম্মগী থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কৃকলা পাম্বীগী উগী মকুদা য়াওবা মরুলইবা মচলশিংদি - Kaemferol, Kaempferol-3-0-galactoside, Luteolin-7-0-glucoside, Kaempferide-7-0-beta-Dglucopyranoisde, D-galactouronic acid অসিনচিংবনি। লৈদা য়াওবা মচলশিংনা 3,7-dimethyl-7-methyl 1:5 pentacosanolide, n-hexacosan-1 অসিনচিংবনি। অদুগা মনাদনা Sterculin-A অসি য়াওই হায়না Shastry না পাউদমলি।


পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কৃকলা পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরুওইনা ইন্দিয়া, পাকিস্থান, নেপাল, ভুটান, বংলাদেশ, ম্যান্মার, লাওস, থাইলেন্দ অমসুং মলেসিয়াগী মফমশিং মরুওইনা সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ১২০০দগী মিটর ১৭০০ ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। কৃকলা পাম্বী অসি খা থংবা চাইনাগী মফমশিংদসু হৌবগী পাউদম লৈ।

ইন্দিয়াগী অয়ুর্বেদকী অনা লায়েংদা কৃকলা পাম্বী অসি কোক চীকপা, লোক থুংবা, চাথৎপা, অশোক-অপন তৌবা অমসুং ঈ কা হেন্না থোকপগী লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। পাউদম অমগী মতুং ইন্না কৃকলা পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু উনশাগী লায়নাশিং মরুওইনা খুহীং থুংবা (Scabies) তৌবদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। কৃকলাগী লৈ অসি শুগাইরগা খোইহিগা তোৎলবা অশেম্বা অদু তোনিক অমা ওইনা পীজনবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা অশেম্বা অসি চাকখাও চাথৎপা, তোংশা কায়বা, ঈগী লায়না মখল খরা অমসুং অপোম-অতংদসু থোইদোক্না কান্নবগী পাউদম লৈ। কৃকলা মনাগী মখা থংবা শরুক অদু খোৎলগা লৌবা মচাক অদু অশোক-অপন তৌবদগী ঈ থোকপা মফমদা থোম্বদা ঈ অদু য়াম্না থুনা খকহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নে। য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না কৃকলা পাম্বীগী লৈ অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈবদা লেপ্রোসী হায়রিবা উনশাগী লায়না অসি ফহনবা ঙম্মী হায়বসিনি।

---

# ভিভেকানন্দনা তাক্লক্লবশিং মমাঙঙৈদগী হৌজিক্না হেন্না চুনরে

শ্রী এম ভেনকয়া নাইদু
ভাইস প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া




**'য়াহৌরে, মীকপ থোক্লো অমসুং পন্থুং য়ৌদ্রি ফাওবা লেপকনু'** হায়না শ্বামী ভিভেকানন্দনা মমিং চৎহল্লম্বা উপনিসদকী শ্লোক অসিনা ইন্দিয়া মচা খুদিংমক্তা ঈথিল অমা পীরগনি, মরুওইনা অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেম্নবগীদমক নহারোলশিংদা ঈথিল পীরগনি।

লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৬৫ ওইরিবা নহাশিংগী পাঙ্গল ফুদোকহন্নবগী মতম অদু হৌজিক ফংলিবা খুদোংচাবা অসিদগী মতুংদা ফংলরোই। লৈবাক অসিগী জি দি পিনা সার্ভিস সেক্তরনা চাউনা মতেং পাঙবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অসি আই টিগী লমদা হান্ননা মালেমগী লৈবাকশিংদগী মাঙজিল থারি। অদুবু লৈবাক অসিনা মেন্যুফেকচরিং, লৌউ-শিংউ, ইনর্জি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা কন্না হোৎনদুনা লৈবাক অসিনা চহী ১০-১৫গী মনুংদা মালেমগী ওইনা ইকনোমিদা অহুমশুবদা লৈনবা হোৎনরিবা অদু য়াঙশিনবা ঙমগনি।

নোংমা ভিভেকানন্দনা মিচিকান য়ুনিভর্সিটিদা পাউমী খরদা হায়খি, হৌজিক অসি নখোয়গী চহী চানি অদুবু ২১শুবা চহী চা অসিদি ইন্দিয়াগী চহী চানি।

ইন্দিয়ানা মালেমগী শেল থুমগী লমদা মাঙজিল থারক্কনি হায়বসি থাজগন্দবশিং অদু চিংনবা পোক্কদ্রা? ৱর্ল্ড বেঙ্ক, আই এম এফ অমসুং অতোপ্পা লূপশিংনা ইন্দিয়াগী শেল থুমগী লমদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসিনা তাক্লি মদুদি লৈবাক অসি চাওখৎপগী লমদা মায়ওন চুম্না চঙশিল্লি হায়বা। অদুবু লৈবাক অসিদা খুরৌ থাংহল্লিবা মরমশিং ঐখোয়না খঙজিনফম থোকই। ঐগী হায়বা অখুবা মীৎয়েংশিংনা লৈবাক অসিগী কাঙলূপকী অপূনবা শক্তম, নুংঙাই-য়াইফবা, শান্তিদা অপনবা পীরি অমসুং মদু অনৌবা ইন্দিয়াগী য়ূম্ফম থোনবদা লুনা ফুমজিনখিগদবনি।

লৈবাক অসিগী মপানা হায়রমখি, ইন্দিয়া অসি মাগী খুঙ্গংশিংদা লৈবনি। করিগুম্বা খুঙ্গংদা লৈরিবশিং চাওখৎহন্দ্রবদি লৈবাক অসি চাওখৎপা ঙম্লোই। খুঙ্গংশিং অসি মশাগী শেন্দাল লম্বী লৈতবা মফম অমা ওইনা শেমগৎনবা হোৎনগদবনি। মসিগা লোয়ননা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী হেন্না লাকহনগদবনি। চিঙ্গাক মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লৌমীশিংগী য়াইফনবা থবকশিং পায়খৎকদবনি।

হৌখিবা মতম খরা অসিদা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসি লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাংগী লমদা পূনবা হোৎনবগী মহুত্তা নাকল অমদা পূনবা হোৎনরি। মিদিয়া অমসুং সেনিমানা থৱায় য়াওনা য়েংশিনবগী মতম ওইরে হায়না ঐনা খল্লি। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা অতোপ্পশিংগী ফিদম্নফম ওইহনগদবনি।

ঐনা ফোঙদোকপা পাম্মী মদুদি, শ্বামী ভিভেকানন্দনা পাউতাকশিং অসি থম্মোয়গা নক্লবা মরী লৈনৈ অমসুং মালেমদা মৈরা অমা ওইরি। ঙসিদগী চহী ১২৫গী মমাঙদা ওইরবসু কুমজা ১৮৯৩দা ৱর্ল্ড পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন্দা শ্বামী ভিভেকানন্দনা হায়খিবশিং অদু ঙসিসু চানরি। মালেমগী লাইনীং খুদিংমক অচুম্বনি হায়বা ঐখোয়না য়ারি। মালেমগী লাইনীং খুদিংমক অমসুং লৈবাক পূম্নমক চঙজফম লৌরিবা লৈবাক অসিদা পোকচবগীদমক ঐ চাউথোকচৈ।

মহাক্না মীফম অদুদা হায়খি, কাঙলূপ নাইবা অমসুং খাংবা কনদবা অমদি মশাগীতা খনবা ৱাখল্লোন্না ফজরবা মালেম অসিদা লৈরি। মখোয়না মালেম অসি হিংসা, মীওইবগী ঈ, সিভিলাইজেসন মাঙহনবা অমসুং লৈবাক কয়া নীংবা কায়হনবনা থলহল্লে।

লাইনীংগী অপূনবা ৱাফম পুথোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মফম অসিদা লৈরিবা মীওই অমনা খল্লম্বা য়াই মদুদি লাইনীং অমগী মায় পাকপা অমসুং অতোপ্পা লাইনীং মাঙহনবনা মালেমগী অপূনবা পুরকপা ঙমগনি। ঐনা হায়রি মরুপশিং নহাক্কী মঙ অদু ওইথোক্লোই। ৱর্ল্ড পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন্দা শ্বামী ভিভেকানন্দনা হায়খিবশিং অদুগী শরুক খরা ঐনা ফোঙদোক্লি, চৎনীংবা লাইনীং চৎলিবশিংগী মরক্তা নুংঙাইনা হিংমিন্নসি হায়রবদি লাইনীংগী খাংবা কনবা লৈবা তাই। কাঙলূপ খুদিংমক্না মরুওইনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা কাঙলূপ নাইবগী ৱাখল্লোন থাদোক্কদবনি। মীখলগী পোলিটিক্সতা শেল, কাঙলূপ অমসুং ফুরুপকী মফম পীরোইদবনি। লমচৎ-শাজৎ, তৌবা ঙম্বা অমসুং হৈশিংবদা য়েংলগা মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ খনগদবনি।

কাঙলূপ হায়বসি খুন্নাইগী লূপ অমনি অমসুং লাইনীংগী ওইবা নত্তে হায়রদুনা ৱর্ল্ড পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন্দা শ্বামী ভিভেকানন্দনা হায়খি, মসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা মশা মরোমদোম ওইজরকপনি। লৈবাক অসিগী নহাশিং শরুক য়াহন্দুনা লৈবাক অসি চাওখৎনবা হোৎনরিবা অসিগুম্বা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা ফীভম অসিদা লৈত্রি হায়না ঐনা খল্লি। শ্বামী ভিভেকানন্দনা ফোঙদোকখিবা মী শেম্বগী পান্দম হায়বদু ঐনা মফম অসিদা পুশিল্লকপা পাম্মী। মহাক্না হায়খি, মী শেম্বা হায়বসি ঐগী পুন্সিগী পান্দমনি। ঐ পোলিটিক্স তৌবা মী নত্তে, ঐ খুন্নাই শেংদোকপা মীওইসু নতে। মী শেম্বা অসি ঐগী থবকনি।

লাইরিক তম্বনা মী শেম্বা, পুন্সি শেম্বা, লমচৎ শেম্বা মহাক্না পামখি। খুন্নাইগী অওনবা পুরকপা ঙম্নবা ঐখোয়না নুপা অমসুং নুপীশিং লৌশিং লৈহনবা মথৌ তাই। মালেমগী ওইনা লাইরিক ময়েক চৎহনবা অমসুং অফবা মগুণ লৈবা মহৈ-মশীন তমহনবা অসি মরুওইবা অমনি। শ্বামী ভিভেকানন্দনা মীওইবা পূম্নমক চাওখৎকে হায়রবদি কাঙলূপ-ফুরুপ নাইদনা, স্পিরিচুয়েলিজমসি য়াম্না মরু ওই হায়না থাজরম্মী। মহাক্না হায়খি, 'জীব খুদিংদা তাইবঙ শেম্বা মপূ য়াওই হায়না খন্দুনা থৌগল তৌবীয়ু'। মীওইবা খুন্নাই চাওখৎনবা কাঙলূপ-ফুরুপ নাইদনা স্পিরিচুয়েলিজম চাওখৎনবা হোৎনগদবনি।

মহাক মঙাল ফংলবা স্পিরিচুয়েল প্রিচর অমনি, মহাক্না নোংচুপলোমদা যোগ অমসুং ভেদান্তা শন্দোকখি। মসিগা ইরোয়ননা বৃটিশকী লৈঙাক মতমদা ইন্দিয়া মচাশিংদা মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল পোকহনখি। মহাক্কী ৱর্ল্ড পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন্দা পীখিবা ৱারোল অদুনা হিন্দু লাইনীং অমসুং মসিগী পুন্সি মহিংগী মরমদা খঙহনখি।

মহাক্না নোংচুপ অমসুং নোংপোক অনীগী থোং ওইনা থবক তৌখি। নোংচুপলোমগী অকনবা ঈথিল লাক্লিবা মরক অসিদা ঐখোয়গী নহারোলশিংদা ইন্দিয়াগী ফজরবা কলচর অমসুং নাৎকী চৎনবীশিং নহাশিং খঙহন্নবা ঐখোয় নহারোলশিংদা মহাক্কী পাউতাকশিং খঙহনবা তঙাইফদে হায়না ঐনা খল্লি। তুংগী মীরোলনা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং য়োকখৎকদবনি।

শ্বামী ভিভেকানন্দ লৈবাক অসি শেমগৎপা অচৌবা মীওই অমনি। ফত্তবা কয়ানা লৈবাক অসি তুংলোমদা চিংথনবা হোৎনরিবা মতম অসিদা মহাক্কী পাউতাকশিং হৌজিক্কী মতম অসিদা মরু ওইরক্লি। নীংশিংবা থোকত্রিঙৈ মতমদগী হৌনা ইন্দিয়া মচাশিংনা 'সর্ভ ধর্ম্ম সমভবা' গী ৱাখল্লোন্দা থাজদুনা লাক্লি অমসুং শান্তি অমসুং পূন্না হিংমিন্নবগী লাই খুরুমদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা সিভিলাইজেসন অমুক হন্না ময়োল চোংহন্নবগী মতম অদু লাক্লে।

শ্বামী ভিভেকানন্দনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা লোম্বা নাইদ্রবা 'অনন্দ' (নুংঙাইবা) অমসুং'ভিভেকা' (লৌশিং) পীবা ঙমগনি।

---

## মরোল থোকপা লাই




---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শু-নোমদনা নুংঙাইবা ফংদে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মীওইবনা** নুংঙাইবা পুন্সি মহিং পাম্মী। মসি মীওই খুদিংগীনি। মমাঙঙৈ অরিবা নূংগী মতমদগী ঙসি ফাওবদা ওইরক্লিবা থাক অসি মীওইবনা কদাইদা করি লৈ হায়বসি মশা-মশানা কন্না থিজিন্দুনা ফংলকপা মহাওননি। অতোপ্পা লৈপাক কয়ানা চাওখৎপা নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমমম ওইরক্লিবা অসি ঐখোয়না লায়না লৌবা চুন্লোই।

থৱায় থাবা পাম্মুদনা হোৎনরবা মতুংদা ঙসিগী থাক অসি য়ৌরকপনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈবা মীওই কয়ানা অতোপ্পা চাওখৎপা লমদমগী পুন্সি মহিংদি পাম্নে। অদুবু মখোয়না ফংখ্রিবা পুন্সি মহিংদুদি কনানসু নৈনদবগুম তৌই। মরম অসিনা হীরম অসিদা খরা কূপ্না নৈনবা চঙই।

অতোপ্পা জীব কয়ানা চানবা চিঙ্গাক পৈদুনা থম্নদে। অদুবু লৈশৌ অমসুং খোইগী কাঙলূপ খরদি পৈশিন্দুনা থম্বনা নুমিৎ কয়ানি মপান থোক্ত্রবসু চানবা ৱাৎতে। লমদম অমা হায়বসি অচৌবা ইমুং অমগুম্বনি। ইমুং অমদা লৈরিবা মীওই খুদিং লোইনা মাগী মাগী হৈনবা শিনফমদা শুবা নোম্বা তৌরবদি নুংঙাই য়াইফবা, অৱাৎ অপা লৈতবা ইমুং ওইফম থোকই। ইংগ্রেজি পাউরৌ 'নো রিস্ক নো গেন' হায়বা নীংশিংবা য়াই। মসিদা লৈঙাক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই।

মীওই খুদিংগী অচৌ মচা খায়দনা মাগী মাগী চানবা থবক পীবিনবা থৌরাং থৌশিল কয়া য়াৎপীদুনা মীয়ামদা মদুগী মহাও ফংহন্নবা হোৎনবীগদবনি। পূম্নমক য়েংউবদা ঐখোয়গী লমদম অসি শুফম নোম্ফম খঙদবগী মমি অমা চাউনা তাই। অমুকসু ঐখোয় খুদিং হোৎনদনা অমদি শুবা নোম্বগী হৈনবী থমদনা নুংঙাইবা পাম্বগী মমি চাউনা তাই। নুংঙাইবা পাল্লবদি নুংঙাইনবা মচাক কয়া ঐখোয়না কন্না হোৎনদুনা মদুগী মহাউ ফংনবা হোৎনফম থোকই।

শুবা নোম্বা ৱাৎলগা মীগী নুংঙাইবা পাল্লুবদি অফবা নত্তে। নত্তবা পাম্বে কয়া শীজিন্নবদগী লৈপাক ঈরাং থোক্কনি। অরেম্বা মতম লৈহন্দবা মীকুপ অমগী মতমবু য়াম্না লুম্না লৌদুনা ইশা ইশানা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা অহেনবা অথোইবা মখল কয়া পুথোক্তুনা মীপান তাংদনবা হোৎনবা হায়বসি মীওইপোক অমা ওইনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা শিন্থানি খঙনগদবনি।

মমাঙঙৈ অরিবা নূংগী মতমদা শুপ্নগী চাবা ফংবা অসিতং খন্নে। অদুনা মতমদুগী মীওইশিং চাওখৎপগী মঙাল য়াম্না তপ্পী। অদুদগী মথং মথং হোৎনরক্তুনা লৌশিং কয়া লাক্তুনা চানবগী মথক্তা অহেনবা কয়া হোৎনবদগী ঙসিগী থাক অসি য়ৌরকপনি। অদুনা মতমসিগী মীওইনা মতমগী মমল খঙনা, নত্তবা উপাই হুন্দোক্তুনা করম্না চাওখৎপা, নুংঙাইবা লাক্কনি হায়বদু মুন্না ৱাখল থাদদুনা অমদি কন্না শু নোমগদবনি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লসু মতিক চাবা থৌশিল পায়খৎপা মথৌ তারে খল্লি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ*
*ককচীং খুনৌ*